হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, ওগষ্ট ২৭, ২০১৮, ইম্ফাল
৪১ শুবা চহী, ১৫৪ শুবা মশীং

# কাঙলূপশিং চারৌ মৌরৌনবা

## কাষ্ট মেরিএজ লৈঙাক্না পূন্নীং থৌগৎপা চুম্মী

**ইন্দিয়াগী** অৱাং-নোংপোক থংবা শরূক্তা লৈরিবা শূপ্নতগী স্কৱার কিলোমিটর ২২,৩২৭ রোম পাক-চাউবা মণিপুরদা তোঙান তোঙানবা ফূরুপ ৩০ হেনবনা খুন্দা লৈতাদুনা লৈমিন্নরক্লি। তোঙান তোঙানবা লোন ঙাঙবা, লাইনীং-লাইশোন মান্নদবা ফূরুপশিং অসিগী মনুংদা মীতৈশিংনা মশীং খ্বাইদগী য়াম্বা ফূরুপ ওইরি। নীংশিংবা থোক্ত্রিঙৈ মতমদগী হৌনা কাঙলূপশিং অসি মচীন-মনাওগুম নুংশি-চান্ননা লৈমিন্নরকই। লৈবাক অসিনা থেংখাং কয়ারক্তা অৱাবা নংখিবা থৌদোকশিংদা কাঙলূপ অমনা কাঙলূপ অমগী মতেং পাংনদুনা মচীন-মনাও ওইবগী মরী উৎতুনা লাকখি। পুৱারীগী ওইবা লুরবা তানফম কয়াদা মীতৈশিংগী মতেং চীংমীশিংনা পাংখি, চীংমীশিংগী মতেং তম্মীশিংনা পাংখি। চহী তরেৎ খুন্তাক্তুনা কাং-খোং চাইরবা লৈবাক অমা ওইরকপা মতমদা থৌনা ফরবা মীতৈ কয়ামরুম চীংমীশিংনা চঙজফম পীদুনা য়োকপি থাকপিখি। অসুম্না নুংশি-চান্ননা লৈমিন্নরকপা ষ্টেট অসিদা মচীন-মনাও ওইরিবা চীংমী-তম্মীগী মরক্তা হৌখিবা চহী ২০ লোমসিদা নুংশিনদনবা হূ কামশিল্লকখিবদগী খাইবুং খাইবুং তানবগী ফীভম অমদা লৈরি। ফীভম অসি অফবা নত্তে; মতম লৈরিঙৈদা অশোয়বশিং চুমথোক্লদুনা অমত্তা ওইবা ৱাখল্লোন শাগৎমিন্নহৌদ্রবদি ঈরাংনা থল্লবা ষ্টেট অমা ওইহন্দুনা চাওখৎ-থৌরাংদা অপনবা কয়ামরুম থোক্কনি। মরূ ওইনা তোঙান তোঙানবা লোন ঙাঙবা ফূরুপশিং পূনশিল্লগা শেমখিবা নাগা ফূরুপকী মনুংদা মতিক ময়াই লৈবা মীওই খরনা চীং-তম নুংশিনদনবগী থাক্লিবা লাং অসি নীংবা কায়নিংঙাইনি। মচিন-মনাও ওইরিবশিংগী মনুংদা অমনা খূদোংথীবা থোক্লগা অমনা নুংঙাইরে হায়দুনা হরাওবা ফোঙদোকপা হায়বসি মীওইবগী লীচৎ নত্তে। মরম অদুনা মখোয়না থাংলিবা খোঙথাং অসিনা মখোয় নুংঙাইগনি খঞ্জরগসু মচিন-মনাও ওইরিবা কাঙবু অমদদি থম্মোয় শোক্কনি হায়বসি মখোয়না খনবা মতম য়ৌরবনি। মণিপুর কায়ননবগী থাক্লিবা লাংশিং অসি নাগাগী মনুং চল্লিবা অপীকপা ফুরুপ কয়ানা মচীন্না থোক্লা য়ানিংদে হায়রগসু থম্মোয়নুংদদি য়ানিংদবা কয়া অমা য়াওরিবনি। মখোয়গী খোল্লাউবু নমহৎতুনা থল্লগা মতিক ময়াই লৈবা কাঙবু খরনা হুল্লগা পুগনি খনবা তারগদি মদুনা হেন্না খূদোংচাদবা থোকহনগনি হায়বসি ৱাখল তাবা চুম্মী। ফূরুপ মশেলগী মরক্তা থাংনরিবা নাইনু-কিশি কাউথোক্লবা তাবনি। মসিনা ঐখোয় পূম্ন মক্কী তুংগী ওইনা য়াইফবা ওইগনি হায়বসি কাঙলূপ খূদিংমক্না খঙফম থোকই।

ঙল্লিঙৈ মতমদা মীতৈসু মীতৈ ওইনা লৈরমদে। মীয়াম্না হৌজিক খঙনরিবা সলাই তরেৎ হায়রিবসি তোঙান-তোঙানবা নিংথৌ পানবা লৈবাক অমা ওইনা লৈরম্লিবনি। ফুরুপ ময়াম অসি পূনশিন্নবা হোৎনবদা ঈ-নাই তানবগী থৌদোক কয়ামরুম থোকখি হায়বসি পুৱারীগী লাতমদা ইদুনা লৈরিবনি। অদুবু মপাঙ্গল কনবা, হৈ-শিংবা কাঙলূপ অমনা মখোয় খূদিংমকপু মায়থীবা পীবা/ অমগা-অমগা য়াশিন্নরবা তুংদা মীতৈ ওইরকখিবনি। কায়নথংদা মখোয় মশেলগী মরক্তা চারৌ-মৌরৌনদুনা হৌজিক্তি মখোয় মশেলগী মরক্তা লৈরম্বা নিংথৌ পানবা, মনিং তম্বা লৈবাকশিং অদুগী ৱাখল্লোনশিং কাউনখ্রে। ঙসিদি মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম কায়বা য়ারোই হায়বা খোল্লাউ লাউনরক্লে। মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম মতম চুপ্পগী ওইনা ঙাক্তুনা থম্বা হায়বসি ঐখোয় পূন্নমক্কী থৌদাং ওইবনা হৌজিক্তি চীংমী-তম্মীশিংগী মরক্তা চারৌ-মৌরৌনবা হেনগৎহন্নবা অখন্নবা থৌশিল লৌখৎপগী তঙাইফদবা লৈ। ফুরুপ অমগা অতোপ্পা ফূরুপ অমগী মীওইশিংগা চারৌ-মৌরৌনবা হায়বসি কাঙলূপ অনীগী মরক্তা নুংশিনবগী লীপুন হেনগৎপদা নত্তনা ফূরুপ অনীগী ওইবা নকশিন্নবা মরী লৈগনি হায়বসি মতম কয়াগী মমাঙদগী হায়নরকপদা নত্তনা পূমচুম চুল্লবা ৱাফমনি। মণিপুরী খুন্নাইনা য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা কাঙলূপ মশেলগী ওইবা চারৌ-মৌরৌনরকখি হায়বসি পুৱারীগী লম্ কয়াদা থেংনৈ। তম্পাক লমদা খুন্দারিবা মীতৈশিং মতম অমদা চীংদা খুন্দারম্মী হায়বসিসু চেনবা য়াররোইদবা ৱাফমনি। মসিমক্লা মরম ওইরগা চীং অমসুং তমদা খুন্দারিবা চীংমী তম্মীশিং 'পূ' অমত্তগী মচানি হায়না লৌনৈ। মীতৈ নিংথৌনা চীংমী নিঙোল লৌরগা লৈমরোল ফমথোন হাপ্তুনা লৈবাক্কী ৱায়েন থৌদাদা শরূক য়াখিবা পামহৈবা নিংথৌগী হাক্তক্তা থোকখি। মসিদসু নত্তনা নিংথৌরোল কয়ানা চীংমী নিঙোল লৌদুনা চীংমী তম্মীগী মরক্তা অপূনবা শক্তম শাগৎলম্মী। অসুম্না য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমদা চীংমী অমসুং তম্মী হায়বসি তৎন-থানবা য়াররোইদবা ফূরুপ অমগুম্না লৈমিন্নরকই। অসিগুম্বা নুংশি-চান্নবনা থল্লবা পুন্সিরোল অসি মীওই খরগী খূজিল থৌরাংনা মরম ওইরদুনা হৌখিবা চহী খরা অসিদা নিংঙাই শংদানবগী থৌদোক কয়ামরুম তত্তনা থোক্লি। তম্মীশিংবু চীংদা খুন্দাবা য়ারোই, নাগাগী তোখায়বা লম, সিক্স সেদ্যুল্ড, ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট, আর্টিকল ৩৭১ (এ) মণিপুরদা চৎনহনবা, গ্রেটর নাগালেন্দ হায়বনচিংবা তোঙান-তোঙানবা ৱাফমসিনা ঐখোয় পূন্নমক্তা থোক্লিবা নুংঙাইনহন্দনবগী থৌদোকশিং অসি কোকহন্ননবা ঐখোয় পূন্নমক্কী থৌদাংনি। অসিগুম্বা ৱাফমশিং অসি মতুং তারকপদা ৱাহং ওইদনবা কাষ্ট মেরিএজ লৈঙাক্না পূন্নীং থৌগৎপা চুম্মী।

## ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

### ৱারোইশিন ঙাইবদা

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*


**মীওইববু** ঙাক শেন্দুনা থম্নবা মীওইবনা শেন্বা ৱায়েল্লোন, লৈঙাক্লোন অসিনা ঐখোয় মীওইববু চৈঙাক ওইনা থমদুনা অমদি ঙাকলৌ পীদুনা ঐখোয় হিংলিবনি। লৈপাক খুদিংমক ৱায়েন কাঙলোন অসিবু ইকায়খুম্নবা হায়বসি ঐখোয় মীওইবগী তঙাইফদবনি। লুরিবদি অচুম অরানগী ৱায়েল অমা চথবদা চহী কয়া চঙহনবা, পুন্সি লোমখিবনা হানবা কয়া অসিনা ৱায়েল লোইশঙদা ৱারৌনরমলোইদ্রা? ৱায়েল মপূনা ৱায়েল মতম চঙহনবা পাম্লল্লোই। মতম চঙহল্লিবসি করিগীনো, কনাননো হংবা পাম্নরমগনি। অমেরিকাদা মীতৈ মচা অমা অমেরিকা মচা অমনা কুমজা ২০১৫দা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবগী কেস শুপ্নতগী চহী অমা মখায়গী মনুংদা অরোইবা ৱায়েল তাদুনা মীহাৎপা কীনন পালমর চহী ৪১ মিয়াৎ তাহনখি। ঐখোয়গীদি খুয়াথোংদা শান্নরোয় অমা কুমজা ১৯৮৯দা মীওই খরনা হাৎখিবগী ৱায়েল চহী ২৮ চঙখি। মী হাৎপদা য়াওবা মীওই অহুমদি পুন্সি লোমখিবনা হানখিদুনা মী অমা হাৎপগী মরাল খঙহনবা ঙমখিদে হায়না লৌবা য়াই। কুমজা ১৯৭৩দা শুপ্নতগী পৈশা ৫ চেন্নবগী দিল্লি ট্রান্সপোর্ট কোর্পোরেসন (দি টি সী) গী রনবীর সিংহ যাদব কৌবা বস কন্দক্টর অমগা কেস শোক্লবদা চহী ৪১ চঙখি। মীশিং হেনগৎলকপগী মতিক ৱাথোক য়ামখৎলকই। ৱাথোক য়ামখৎলকপগী মতুং ইন্না কেস মশীং হেনগৎলকই। কেস মতম চঙহনবনা মরম ওইদুনা কেস মরোল মরোল নমশিন্দুনা লৈনবগী মচাক ওইরকই। কেস অমগী অরোইবা ৱায়েল পীনবা হোৎনবদা মীরোল অমা চঙনীংঙাই ওইরকপরা হায়বা হংনীংঙাই ওইবা ৱাফম কয়া থোরকই। আইনগী লমদা খঙ হৈবা, মীয়ামদা আইনগী মতেং পাংগদবগী লৈরিবা মীদু ঐখোয়না উকিল/এদভোকেট হায়দুনা ইকায়খুম্নরি। উকিলশিংনা কেসপু হিংনবগী লম্বী ওইনা লৌদুনা মতম লৌনবা অমদি চঙনবা হোৎনরমগদ্রা। মীয়ামসু মীৎ-না শিংবীগদবনি। কেস অমগীদমক উকিলদা শিন্নথোক্তুনা য়ূমদা ফমদুনা লৈথোকপীগনু। কেস থোকপা খুদিংগী কোর্টতা চৎপীয়ু, উকিলগী মতুং ইন্নবিয়ু। করি হায়নরি, করি ঙাঙনরি তাবীয়ু। করি মরমগী, করি ৱাৎপগী কেস য়ৈথোক্লিবনো খঙনবা হোৎনবা তঙাইফদে। কেস অমা থেংনবদা অচুম্বদুনা থুনা লোইশিনবা পামগনি। অরানবদুনা লোইশিন্দনা থম্বা পামগনি। মীপোৎ হুরুরে, ৱায়েল তৌবিয়ু ৱাকৎলক্লোই। ইপোৎ হুবীখ্রে ৱায়েনবীয়ু হায়রক্কনি। অচুম অরান লাইনা খঙবা ঙম্বনি। লম্বীদা সী সী টি ভি ফিট তৌদুনা থম্বদগী হুরানবা, মীহাৎপা কয়া ফাগৎপা ঙম্বগী পাউ তাখ্রে, উখ্রে। কোর্টকী মপান্দসু পানবা উরে। মনুংদসু পান্দুনা চথরিবা কেস অদুগী অশেংবা শক্তম কোর্টকী মপান্দা কোর্ট মনুংদা চন্দদুনা লৈরিবশিংদা উজবা, তাজবা ফংনবা হোৎনবীবা য়াগদ্রা? লোক সভা, রাজ্য সভা অমদি বিধান সভা ফম্বদা লাইফ টেলিকাষ্ট তৌদুনা উবা তাবা ফংজবগুম। কেস অমা থেংনবদা নাকল অমমমগী উকিল অমমম উকিল অনীদি চঙগনি। অনীদুগী মনুংদা অমদি মীহাৎপদো হাৎতে, হুরানবদু হুদে হায়না ৱায়েৎ পীগদৌরিবনি। মদুসু লোনি। লায়েংশঙদা অনাবা অমা শিবদা ডোক্তরনা থৌশাদবগী শিবনি হায়দুনা লৈপাক ঈরাং হৌই। সিফাইনা/ থানানা মীফা মীপুন তৌবদা মীশি-মীনা থোকপদা মীয়াম্না মখল মখা কয়াগী এজিটেসন চথৈ। কেস তৌনবদা লাঞ্জদবা কনানসু ৱায়েলশঙদা, ৱায়েল মপূ অমদি উকিলশিংগী মথক্তা পেন্নদবগী খোল্লাউ লাউনদ্রিবসি আইনবু ইকায়খুম্নবা উৎলিবনি। কেস থুনা লোইশিন্দুনা অচুম অরান খঙহনবনা লিগেল এৱ্যেরনেসকী মগুণ হেনগৎহনগনি। কেস অমা চথবদা চহী অসুক্কী মনুংদা লোইশিনগদবনি হায়বা আইন শেল্লিবশিংনা খন্নবা মতম লাকখিগদ্রা? ঐখোয় আইনবু ইকায়খুম্নসি। আইনবু শেন্নবীরিবা উকিলশিংনা ধরনা ফম্বগী মহুত্তা আইনবু ইকায়খুম্নসি হায়দুনা মীয়ামদা পাউজেল পীবনা হেন্না ৱাহন্থোক লৈগদবা মাল্লি। অমবু ওইরবসু, অমবু ওইরবসু আইনবু ইকায়খুম্নবদি ঐখোয়গী ইথৌদাংনি।

*অদোমগী - মাইবম রুপোবতি, সোইবম লৈকায়, মেরি লৈরক*

# লৌমীশিংগী কাখল

## ফৌদা তাবা লায়না ফৌনা কোলহিং কাবী অমসুং ঙাকথোক্নবা উপায়

ডা: এম থোইথোই সিংহ



(a) (b) (c)

**ফৌনা কোলহিং কাবী (Brown spot) ঃ**

লায়না থোকহল্লিবা কোকফাই - *Drechslera oryzae* (অনৌবা মমিং), *Helminthosporium oryzae* (অরিবা মমিং)

Perithecial stage : *Cochliobolus miyabeanus.*

কুমজা ১৯৪২ দা লায়না অসিনা 'বেঙ্গলদা চাক তাঙবা' থোকহনখি। মতমদুদা পোত্থোক্কী চাদা ৯০ হন্থহনখি। লৈবাক লৈহাও কয়া ফত্তবা অমসুং চাং কায়না লৈহাও ফংবা মফমদা নাগনবা লায়নানি। লায়না সিবু 'poor man's disease' হায়নসু খঙনৈ। মমাঙঙৈগা য়েংনবদা লায়না অসি তাবা হন্থরক্লি।

**লায়ওং ঃ** মনাদতা নত্তনা ফৌ পান্বীগী মথক থংবা মফম খুদিংমক হায়বদি পান্বীনা নৌরিঙৈগী ময়োলবু য়োমশিল্লিবা অহানবা মনা, মনাগী মখোকলোমথংবা শরুক (leaf sheath) অমসুং লৈয়োমনচিংবদসু উবা ফংই। মরুদগী চোংখৎলকপদা ঙাইরিবা নৌরিবা পান্বীশিংদা নারবদি দাগশিংদু কোনা মচু (ব্রাউন) মানবা অপীকপা কোয়দানবা দাগশিং উগানি। খরা হেঞ্জিন্না নারগনা নৌরিবা পান্বীদু শি। ফৌ পান্বীদুনা খরা অমুক চাওখৎখ্রবদি লায়না সিনা ইরায় লায়না হাৎপদি পাক ঙমদে। চাকথেকপা মফমশিংদু অসুম অসুম চাউবা হেনগৎলকপগী মহুত্তা দাগ মশীং ওইনা হেনগৎলক্কনি। ফৌ মরুশিংদসু দাগশিং লৈহল্লি।

**লায়না অসিনা ফৌ পান্বীবু মাঙহল্লিবা য়াম্না মরুওইবা তাঙ্কক অহুম ঃ** ১) লায়না অসিনা ফৌদিদা চেন্নরক্তুনা মতোন চোংবগী চাং হন্থহল্লি। মরম অসিনা মণিপুরদা হুনফম থোকপা ফৌদিগী চাংদগী হেন্না হুনবা চৎনৈ। অসুম্না অরেম্বদা ফৌদি কয়া অমা মাঙহল্লি। ২) মনাগী মফম খুদিংদা লায়না অসিনা কাথেকহন্দুনা মনাগী তৌফম থোকপা মথৌ পাঙথোকপা ঙমহন্দবদগী নৌরিবা পান্বীশিংবু মশা শোন্থহল্লি। মতাং অসিদনি ফৌ পান্বীদা খ্বাইদগী শোকহল্লিবসি। ৩) মনাগী মথৌ চপ চানা পাঙথোকপা ঙমদবদগী ফীভম চুম্না ফৌ পানবা, মরু চঙবনচিংবা ঙমহন্দে অমসুং মওং মরিল চুমদবা খুইরি খুইরি তৌবনচিংবা থোকহল্লি।

**লায়না শন্দোকপগী মওং ঃ** লায়নাসি ফৌদিদা চেন্নরকই, মখা তানা নুংশিৎনা শন্দোকই। নুংশিৎনা শন্দোকপগী চাংনা ৱাংই। চরু ইকুদগীসু কোকফাই মরুশিং থাদোরক্তুনা লায়নাসি শন্দোরকই। হান্নগী চরুখোক অমসুং খোকমন্দগী শন্দোরকই।

**লায়না অসি পাক-শন্না শন্দোরকপা য়াবা ফীভমশিং ঃ** ১) পান্বীনা লীবা হেনগৎলক্লিবমখৈ লায়না তাবগী চাংসু হেনগৎলকই। মরম অদুনা ফৌ মপাল শাবা অমসুং মপূং ফারকপা মতমদা লায়না অসিনা নাবগী চাং হেনগৎলকই। লায়নাসি অনৌবা মনাদগী অরিবা মনাদনা হেন্না তাই। ২) নাইট্রোজেনগী চাং ৱাৎলবা অমসুং হেল্লবা মতম অনীমক্তা লায়না অসি তাবগী চাং ৱাংই। নাইট্রোজেনগী চাং ৱাংবা ওইরবদি ফোস্ফেটিক ফর্টিলাইজর হাপ্লগা লায়না তাবগী চাং হন্থহনবা য়াই। ৩) কুংনা থাবা পান্বীশিংনা অরনবা পান্বীশিংদগী হেন্না লায়না অসি তাগল্লি। ৪) পোটাস ৱাৎপা মফমদা লায়নাসি শোয়দনা থেংনৈ। ব্রাউন স্পোটসি পোটাস ৱাৎপগী খুদমনি হায়বদা য়েৎনদ্রে।

**ঙাকথোক্নবা পাম্বৈশিং ঃ** ১) লৌ লোক্লবা মতুংদা হান্নগী লায়না চেল্লবা চরু ৱাইরুনচিংবা পান্বীগী লেমখাকশিং মৈ থাদোকপা কান্নগনি। ২) ফৌদিদা হীদাক তোৎহৌগনি। মসিগীদমক Thiophanate methyl 70% WP গ্রাম মরি মরু কিলো খুদিংদা তোৎহৌগনি। ৩) লায়নাসি তারবা পান্বীশিংদা Mancozeb 75% WP গ্রাম ৮০০-১০০০ ফাওবা পরী অমা চাউবা লৌফমদা কাপথোক্কনি।

| ব্লাষ্ট অমসুং ব্রাউন স্পোটতা খেন্নবা খরা | |
|---|---|
| ব্লাষ্ট | ব্রাউন স্পোট |
| ১. ব্লাষ্ট থোকহল্লিবা কোকফাই শুজা অসি মপাঙ্গল কল্লি। | ব্রাউন স্পোট থোকহল্লিবা কোকফাই শুজা অসি মপাঙ্গল শোল্লি। |
| ২. ব্লাষ্ট অসি নাইট্রোজেন ৱাংবগী লায়নানি। | লৈবাক লৈহাও ৱাৎপগী লায়নানি হায়বা য়াই। |
| ৩. ফৌনানা য়াম্না মুশন্না শংবা মতমদা নাগল্লি। | ফৌনানা নাপু মচু খজিক্তং চঙবা অমসুং মশা শোনবা মতমদা নাগল্লি। |
| ৪. দাগশিংগী মতোন অনীমক্তা তুমশিল্লি। | দাগশিং কোরোক কোয়না উই। |
| ৫. মনাগী দাগশিংদা কোকফাই শুজা অদুগী মরূ (Conidia) য়াম্না পুথোকই। | মনাগী দাগশিংদা কোকফাই মরূ পুথোকপগী চাং নেম্মী। |
| ৬. কার্বেন্দাজিম কাপ্লগা লায়নাসি ফহনবা ঙম্মী। | কার্বেন্দাজিমনা লায়নাসি ফহনবা ঙমদে। |

# হার চাইবগী মরমদা খঙজিনবা য়াবা ৱাফম খরা

এস সুমঙ্গল সিংহ

**ঐখোয়না** থানরিবা মহৈ মরোংশিং মশা মউ ফনবা, পোত্থোক য়াম্না পুথোক্লবা অমদি শেন্দোং লৈনবগীদমক হার হাপ্পগী তঙাই ফদবা লাকই। মতাং অসিদা ঐখোয়না হার চাইবগী মরমদা খঙজিনবা য়াবা ৱাফম কয়ামরুম লৈ। মখোয়শিং অদুদি করম্বা মখলগী হার চাইগনি, কয়া য়াম্না চাইগনি, করম্বা মতমদা চাইগনি, অমদি করম্না চাইগনি হায়রিবশিং অসিনি। মখোয়শিং অসিগী মনুংদা হার চাইবগী মওংশিং হায়বদি করম্না চাইগনি হায়বা অসিসু য়াম্না মরু ওইবা অমনি খঞ্জরগা হার চাইবগী মওংশিংগী মরমদা খরা খঙজিনমীন্নসি।

য়াম্না চাউনা খায়দোক্লবদা হার চাইবগী মওং অসি অহুম থোক্লা থম্বা য়াই। মখোয়শিং অদুদি, ১) ব্রোদকাষ্টিং (পাক শন্না ফৌদী হুনবগুম লৌফম শীন্থুংনা চাইবা, ২) লোকেলাইজ এপ্লিকেসন (মচি মচিদা চাইবা), ৩) মনাদা চাইবা অসিনি।

**১) ব্লোদকাষ্টিং ঃ**


ফীভম কয়া অমদা ঐখোয়না হার অসি লৌফম শীন্থুংনা চাইদবা য়াদবা মতাং লাকই। অসিগুম্বা মওং অসিদা অয়াম্বা মতমদা চাইরবা মতুংদা ষণপোৎ নীংথিনা খোয়জিন্নে। নৎত্রগনা করিগুম্বা ফীভমদনা চাইরবা মতুংদা নোং ঙাইরগা নোংগী ঈশিংনা নৎত্রগা ঈশিং চাইদুনা পান্বীগী মরা য়ৌনা চঙখিনবা হোৎনৈ। অসিগুম্বা মওং অসিদি লম য়াম্না পাক শন্না চাইনবগীদমক হার য়াম্না চাইদবা য়াদবা মতাংদা শীজিন্নে। অসিগুম্বা মতাংদদি হায়রিবা মওং ব্রোদকাষ্টিং অসিনা খূৎশুমন অমদি পাঙ্গলগী মতাংদা খুদোংচাবা হেল্লি। পান্বী পাক শন্না থাবা হায়বদি ফৌ, থাউগীদমক থাবা হঙ্গাম, মঙ্গন পাক শন্না হুনবা, অসিনচিংবদা হায়রিবা মওং অসি তঙাই ফদনা শীজিন্নদবা য়ারক্তে। মসিনা পান্বীশিংদা চাং মান্ননা মচীঞ্জাক ফংবা হেল্লি। অসিগুম্বা মতাংদদি পান্বী হৌদুনা লৈবা মরম্না চাইরিবা হার অদু লৈবাক্তা খোয়জিনবগী তাঞ্জা ফংদে। অদুবু তৌদবদি য়াদবা অমা ওই। অসুম্না পান্বী হৌরিঙৈ মতমদা চাইবগী মওং অসিবু তোপ ড্রেসিং হায়নসু খঙনৈ। মতাং অসিদা পনবা য়াবা অমনা লৈবাক্তা লৈবাক লৈহাওনা য়াম্না চেৎনা ফাজিনগনবা মচীঞ্জাকশিং খূদম ওইনা ফোস্ফোরস, জিঙ্ক, মেঙ্গনিজনচিংবশিংদি ব্রোদকাষ্টকী মওং অসি পান্বী মনাক্তা চাইবা মওংনা য়াম্না হেন্না কানবা হেল্লি। তঙাই ফদনা তৌদবা য়াদবা ফীভম ওইবনা ব্রোদকাষ্ট তৌবগী ৱানি। মরম অদুনা ব্রোদকাষ্ট তৌদবা য়াদবা মতাং ওইরবদি পান্বী মনাক্তা চাইবা মওংদগী শরুক অনী হেন্না হার অসি তঙাই ফদনা হাপ্পা তারকই। হায়বদি পান্বী মনাক্তা চাইবনা কান্নবা য়াম্না হেল্লি হায়বনি। ব্রোদকাষ্টকী মওং অসিদা নোং হেনমনবদগী নোংগী ঈশিংনা হার চেন্থখিবগী খূদোং থীনিংঙাইসু য়াম্না লৈ।

করিগুম্বা মতমদা স্প্রিংক্লর শীজিন্নদুনা ঈশিং চাইবা মতমদা ঈশিংদা হারশিং তুমহল্লগা পাক শন্না চাইবসু ব্রোদকাষ্ট ওইনা লৌনৈ। পান্বীনা পরেং নাইনা থাবা অমদি লন্না হৌরিঙৈ মতমদদি পান্বীনা ফংলোইদবা মফমদা হার তাশিন্দুনা পান্বীনা ফংবগী মহুৎতা নাপীনা অরেম্বদা তাখিনবসু ওইবা মতাং থেংনৈ।

২) মচি মচিদা পান্বীগী মনাক্তা চাইবা (লোকেলাইজ/পোইন্ট এপ্লিকেসন)ঃ মহৌশাদি পান্বীগী মরানা শন্দোক্লিবা মফমদা হারশিং মমুৎ তানা য়ানশিন্দ্রবদি পান্বীনা নীংথিনা ফংবা ঙমদে হায়না খন্নরম্মী। অদুবু হৌজিক্তি অকক্লবা মফম অমখক্তা পুন্না লৈবা মচীঞ্জাক অদু পান্বীগী মরাগী শরুক খরখক্লা ফংলবদি পান্বীগী দরকার লৈবা খূদিংমক শীজিন্নবা ঙম্মী হায়বা খঙলে। মতাং অসিদা চেকশিনগদবা অমনা ইকোই কোইনা পান্বীগী মখোঙদা হাপ্পা হারগী ময়াক্লা অপিকপা পান্বী নৎত্রগা মরুদগী মতোন থোক্লকপা মতমদা পান্বীবু হাৎপা থেংনদবদি নৎতে হায়বসিনি। চেকশিনবা তাই। অসুম্না পান্বীগী মনাক্তা হার পুন্না হাপ্পগী কান্নবা অনী পনবা তারবদি- অহানবদা লৈবাক্তা তোৎশিন্দুনা লৈবাক লৈহাওনা পান্বীগী মচীঞ্জাক ফাজিনখিদুনা পান্বীনা ফংবা ঙমদবা অদুদগী কনবা, অনীশুবদা পুন্না হাপ্পা মতমদা লৈবাক লৈহাওগী ঈশিংদা তুল্লবা হারগী ময়াক ৱাংবা মরম্না পান্বীনা য়াম্না লায়না য়াম্না চুপখৎপা ঙম্বা অসি পনবা য়াই। মচি মচিদা চাইবগী মওং খরা য়েংমীন্নসি।

**১) ষ্টারটর এপ্লিকেসন ঃ**

খরা ঈংলিঙৈ মতম, বসন্ত হৌগৎলকপা মতম, পান্বী নৌনা থাবা মতম, পান্বীনা হৌগৎলকপা মতম, মচীঞ্জাক য়াম্না দরকার লৈবা মখলগী পান্বী ওইরবা অসিনচিংবা ফীভমশিংদা ষ্টারটর দোজ পীবদা হার চাইবগী মওং অসি তঙাই ফদনা শীজিন্নদবা য়াদে। মতাং অসিদা পান্বীগী অকোয়বদা মরা থেংহন্দনা হার হাপ্পনা খুদোংচাবা য়াম্না পী। মরু ওইনা পান্বী অমা হেক লিংথোকপা মতমদা মওং অসি শীজিন্নবা য়াম্না কান্নে। খুদম ওইনা কোবী পান্বীনা হেক লিংথোকপগী হৌননবা ঈশিং চাইবা মতমদা চাইরিবা ঈশিংদা



চাদা ১গী (ঈশিং লিটর ১০দা গ্রাম ১০ য়ানবা) চাংদা য়ুরিয়া য়াল্লগা চাইবা মতমদা খূৎলোনবা থুগনি। মওং অমদনা অমুক-নৌনা থোক্লক্লিবা মতোন্দা হারনা শোকহনবা য়াবা মরম্না মরু লিংবা মতমদা মরুগী মখাদা য়ামদ্রবদা সে:মি: ৫ লুথনা অমদি নাকন্দা সে:মি: ৫ হন্দোক্লগা হার হাপ্পীগনি। হায়রিবা মওং খূদিংমক অসি মচি মচিদা হার হাপ্পগী মওংনি।

**২) হার মহী হাপ্পা ঃ**

হার মহী হাপ্পা অসিসু মচি মচিদা চাইবগী মওংনি। ঈশিংদা তুমহল্লবা হার, ষন্থিগী শেল্লবা মহী নৎত্রগা ষণয়ুংনচিংবা মহীগী হার হাপ্পদসু মওং অসি শীজিন্নে। লৌফম শীন্থুংনা চাইবদগী পান্বীগী অকোয়বদা হাপ্পনা কান্নবা য়াম্না হেল্লি। মওং অসিদি থারিবা পান্বীগী পরেংগী নাকন্দা চুরি হন্দোক্লগা মহী হৈরবা মতুংদা লৈবাক্লা অমুক খুমজিনবীবগী মওংনি। মওং অসিদি পান্বী থাদ্রিঙৈদা চুরি খরা লুনা সে:মি: ১০ মুক লুনা হন্দোক্লগা মহীশিং হৈরগা অমুক লৈবাক খোপচিল্লগা পান্বী থাবগী মওংনি। অদুবু য়ুরিয়া, দাইমো, ম্যুরিএট ওফ পোটাশনচিংবগী মহী ওইনা শেল্লবা (চাদা ১-২) (ঈশিং লিটর ১০দা হার গ্রাম ১০০/২০০ য়ানবা) হারশিংদি পান্বী মখোঙদা অদুমক হৈবীবা য়াই। অসিগুম্বা মহী অসিদি পান্বী পীকপা চাউবগী মতুং ইন্না পান্বী অমদা হার কয়া য়াম্না ফংহনবা য়াই হায়বদুগী চাং য়েংলগা অথীৎপা মহী কয়া য়াম্না হৈগনি হায়বদু খঙবা তঙাই ফদে। খুদম ওইনা অপীকপা মনা মশিং পান্বীশিংগী ওইনদি পান্বী অমদা পৱা অমদগী লিটর মখায় অমা ফাওবা চাইবা য়াই। অচৌবা উহৈ-ৱাহৈ পান্বী ওইরগদি লিটর ১০-২০ চাইবা ফাওবা য়াই। অমরোমদনা উহৈ পান্বী, উজাওনচিংবগী মখোঙদা হার হাপকে হায়রবদি মনানা শন্দোক্লিবা লৈমায়গী শরুক্তা পান্বী মউদগী থাগায় অমা লাপথোক্লা মখুন মচা মচা তৌথোক্লগা হারগী লৈবাক্লা নীংথিনা তোৎশিন্নরবা মতুংদা মখুনশিং অদুদা হাপ্পীগনি লোয়ননা ঈশিং চনবীগনি।

ড্রিপনা ঈশিং পীবদসু হার য়াল্লবা ঈশিংনা পীবা য়াই। হায়রিবা মওং অসিদসু হারগী চাং চাদা ১-২ দা শেল্লগা অদুমক মতম মতমগী ওইনা অদুমক চাইবনা পান্বীদা তাঙ্কক খূদিংমক্তা হার ফংহনবগী খুদোংচাবা লৈ।

**৩) মনাদা হার চাইবা (ফোলিয়র এপ্লিকেসন) ঃ**

মাইক্রোন্যুট্রিয়েন্ট, য়ুরিয়া, এন পি কে নচিংবা চাইবদা মনাদা অদুমক চাইবা য়াই। মাইক্রোন্যুট্রিয়েন্টশিংদি অমুক অনীরক চাইবদা পান্বীদুগী মপুন্সি অদুমগী নৎত্রগা কুম অদুমগী কোন্নবা ঙম্বা মরম্না মনাদা চাইবনা খুদোং চাবা য়াম্না হেল্লি। অদুবু মেজর ন্যুট্রিয়েন্টশিংগীদমক্তি খরমখৈ মেনখৎপা নৎতনা মনাদা চাইবখক্লদি মপুং ফাবদি ঙমদে। য়ুরিয়াগুম্বা চাইবদা চাদা ১-২ হায়বদি ঈশিং লিটর অমদা গ্রাম ১০-২০ দগী হেন্না চাইরবদি মনা চাকথেকপগী খুদোংথীবসু লৈ। মনাদা চাইবগী কান্নবা অমনা হীদাক লাংথক্কা লোয়ননা কাপ্পগী খুদোংচাবা অদুনি। য়ারিবমখৈ অয়ূক অঙনবা নৎত্রগা নুমিদাংৱাইরমদা চাইবনা খ্বায়দগী ফৈ। মতাং অসিদা খঙজিনবা য়াবা অমনা থাবী, মাইরেন, শেবোৎনচিংবা ককরবিটকী পান্বীশিংদদি মনাদা য়ুরিয়া মহী কৈদৌনুংদা চাইবা য়াদে।

মথক্তা থমজরিবা হার চাইবগী মওংশিং অসি দরকারগী মতুং ইন্না মওং খূদিংমক অদুমক লোইনা শীজিন্নবা য়াবা মতাং লৈতবা নত্তে। ঐগী ঐগী দরকারগী ফীভমগী মতুং ইন্না অদুমক শীজিন্নদুনা হার নীয়ম চুম্না শীজিন্নরসি।